লৈঙাক্কা বন্দ, ব্লোকেদ তৌদনবা ৱার্নিং তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৭ : ওল মণিপুর ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেটস ওফ পুলিস কন্সটেবলস (মেল ২০১৩ রিফ্রেস ২০১৬ বেটচ) না হয়েং অহিং নোংয়াইদগী ইকনমিক ব্লোকেদ তৌগনি হায়না থৌরাংলিবা অসি তৌদনবা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি, এল এম খৌতেনা ৱার্নিং তৌরক্লি। ইকনমিক ব্লোকেদ/বন্দ তৌবা হায়বসি লোনা য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা ফিভম অসি লৈবনা ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈথেং মীয়ামদা ফঙহন্দনবা থবক লৌখৎননবা পুলিস পর্সনেলশিংদা থৌদা পীখ্রে অমসুং বন্দ তৌরিবশিংনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা ৱার্নিং তৌরি। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনসু হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬ তগী নুংথিলগী পুং ৬ ফাওবা কৌরিবা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং অসিগী য়েংলগসু সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, জুন ১৭ : ৱার্ল্ড ব্লদ দোনরস দে ২০১৭ কা মরী লৈননা ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল, খাঙবোক্কী মরিশুবা ফাউন্দেসনগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২১ দা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প কম এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অমা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন ওফ ভোলুন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। *দোন্ট ৱেট অন্টিল দিজাষ্টর ষ্ট্রাইক, হ্বাট কেন দু য়ু, গিভ ব্লদ গিভ নাও গিভ ওফন* হায়বা থিমদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি অমদি মীয়াম্না ঈ পীবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এমসু ৱাঙ্গৈই ব্রাঞ্চ

ইম্ফাল, জুন ১৭ : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়ন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ৱাঙ্গৈই ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ৱাঙ্গৈই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ৱাঙ্গৈই কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এ ওইনাম লুখোই, এমসু হেদ ক্বার্টরসগী সেক্রেটরি জেনরেল হাওবিজম চলাম্বা মীতৈ অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী প্রিন্সিপাল ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি বেদান্তম সেসনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী বোসেম, কোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা কুমজা ২০১৭গী এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকপা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইকায় কুম্নবা উৎখি হায়না এমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিটিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইন্টরনেসনল দোমেষ্টিক ৱার্করস দে

ইম্ফাল, জুন ১৭ : দোন বোস্কো মেন্দোনা স্পোন্সর তৌদুনা সেরান্দো দোমেষ্টিক ৱার্কর এল্লাইন্স এন্দ নেসনল দোমেষ্টিক ৱার্কর মুভমেন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তা চীংমৈরোংদা লৈবা ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা ইন্টরনেসনল দোমেষ্টিক ৱার্করস দে ২০১৭ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কে লৈসিও এম এল এ উখ্রুলনা চীফ গেষ্ট অমসুং দোমিনিকনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লম্ফেল, কৈশাম্পাৎ, চীংমৈরোং অমসুং উখ্রুলদগী লাকপা দোমেষ্টিক ৱার্কর ৩০৫ রোমনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। হায়রিবা থৌরম অসিদা হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬-অসাম রাইফলসনা চাকলেন অমা শীনখি।

লিলোংদা ইফটার

ইম্ফাল, জুন ১৭ : হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬-অসাম রাইফলসনা রমজানগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা ইফটার পার্টি অমা লিলোংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অদুদা লোকেল মোস্ককী মৌলাবী অমসুং খুলগী অহলশিং য়াওনা মীওই ২৭৫ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ : ষ্টুদেন্ট পব্লিক রিলেসন্স কম্মিটি মণিপুরগী ফাউন্দর ভাইস প্রসিদেন্ট লানখোমা শিমরে (এল কে শিমরে)না থা অসিগী ৮ দা বেঙ্গলোরদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা লৈখিদবদা ষ্টুদেন্ট পব্লিক রিলেসন্স কম্মিটিগী এক্স জেনরেল সেক্রেটরি ৱাইনন্দো, এক্স ভিপি, কে ঐচ নন্দো, এক্স পব্লিসিটি সেক্রেটরি কুঞ্জকিশ্বর গোলমৈ অমসুং আর কে রঞ্জিৎনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

‘দ্রাইভর জেমস তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ’

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফেয়র এসোসিএসননা টেঙ্কর দ্রাইভর তখেল্লম্বম জেমসপু মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীরগা তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরক্নবা আপিল তৌরক্লি।

মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোক্নবা থা খুদিংগী তাং ১৫ দা মীয়ামগী নুমিৎ থন্বীবা অসি অচৌ-মচা খায়দবগী খোঙথাং অমনি। ওফিসতা চে পীশিন্দুনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্ববু সী এম য়ৌহনবদা ৱানা থোক্লম্বদু হৌজিক্তি খুদক্তা ফাওনবা ঙমহনবীরে অমসুং মীয়ামগী মীহুৎ হায়বদু তশেংলে। য়ু এন সীগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংদা ইরৈপাক ইরৈচাশিংগীদমক্তা খন্দুনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলম কয়াবু গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংনা ৱানা হোৎনদুনা মপান লমদগী পুশিল্লকখি। অদুবু মরাইবক থীবা খরদি অশোক-অপন নংবা অমদি গাড়ী কয়া পোৎ-চৈগা লোয়ননা মৈ থাদোকখিবা য়াওখি। পুন্নমকসিগী অৱাবা খঙবীদুনা অমাঙ-অতা, অশোক-অপনশিংগী কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়দুনা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, হৌজিক-হৌজিক এন এফ এস এগী চেঙ য়েন্থোক্তবগী চরাংনবা লৈরিঙৈ অসিদা সঙাইপ্রৌ গোদাউন্দা চেঙ থম্ফম লৈত্রিবসি লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। জিরিবামদগী চেঙ পুরকপা গাড়ী চেঙ থাফম লৈতবদগী নুমিৎ মশীং খঙদনা ফাইদুনা লৈহল্লিবসি তৌহন্নীংদে। চেঙ থারগা অমুক চৎখিগদবা গাড়ী ফাজিন্দুনা থম্বগা মান্নরে হায়রি। মরম অদুনা গাড়ী চৎলিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। নকখ্রবা কিলোমিটর ২২০গী লম্বীসিদা থা অমদা য়ামদ্রবদা ট্রিপ মরি চেনবা ঙমদ্রবদি গাড়ী চৎলিবা মীওইশিং ৱাবতা নৎতনা মণিপুর মীয়ামগী খুৎশেমগী চাক তাঙবা থোক্লোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা চয়োল অমদা ট্রিপ অমা চেনবা ঙম্লনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

সমরেন্দ্রগী থৌরম থুগায়নবা হোৎনখিবা তরাইনা লৌদে : এ টি ঈ আর ঈ সী

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ১৭শুবা নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট অমদি আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এদ্যুকেসনেল রিছার্স সেন্টর (এ টি ঈ আর ঈ সী)না শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম থা অসিগী ৯ অমসুং ১০ দা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবদু থুগায়নবা হোৎনখিবা তরাইনা লৌদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এ টি ঈ আর ঈ সীগী প্রসিদেন্ট পি কে লাইতোঞ্জমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরমগী অহৌবা নুমিৎতা প্রোগ্রাম কন্দক্ট তৌরিবা সিনিয়র রিপোর্টর ওইরিবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমবু থৌরমদুগী পাউ লৌগে হায়দুনা ষ্টেজদগী কৌথোক্লগা ঈচেল এক্সপ্রেসকী পাউমীনি হায়বা মাইস্নাম বিশ্বরজিৎ লুৱাং অপোকপা এম বিরমঙ্গোল অমসুং ইরুংবম পদ্মবতিগী মচানুপা অসিনা হাৎনবা হোৎনরম্বা লাইবক থীবনি। লৈবাক্কী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমদা ষ্টেজদা কারক্লগা থৌরমগী পাউ লৌগে হায়না কৌথোক্লগা খুৎ থারম্বদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবা ওকেন্দ্রোগী ফীভম ঈচেল এক্সপ্রেসকী এদিটর অমদি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী হংবা লাক্তবসি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ওকেন্দ্রোনা অরানবা থবক তৌরম্লবসু থৌরম নুমিৎসি নৎতবা অমদা তৌরম্লবদি লৈবাক মচা তাই খল্লমগদবনি। লোয়ননা থৌদোকসিগী অচুম-অরান নুমিৎ ১০ নি শুরবা ফাওবা অমজুনা থিদোক্তনা লৈখিববুসু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি এ টি ঈ আর ঈ সীনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোকসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা মাইস্নাম বিশ্বরজিৎনা থৌরম থুগায়নবা হোৎনখিবা অদুগী মরম নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শেংদোক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোরক্ত্রবদি লোগী ওইবা মতেং লৌরগনি হায়রি।

ষ্টেট লেবেল পেট্রিওটিক রিসাইটেসন কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর অমদি ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দ ব্লাইন্দ অনীনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলদা অহানবা ষ্টেট লেবেল পেট্রিওটিক রিসাইটেসন কম্পিটিসন ২০১৭ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রঘু লৈশাংথেম, প্রসিদেন্ট পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, ৱাই ব্রজমোহোন, প্রসিদেন্ট, ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর দ ব্লাইন্দ মণিপুরনা প্রসিদেন্ট, দব্লিয়ু বিনাকুমারী, হেদ মিষ্ট্রেস গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েল অমসুং ডা. ক্ষেত্রিময়ুম রঞ্জন, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ কমার্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ফোরম অসিগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক হিংলিবা মীৎ উদ্রবশিংতনা ইবা শৈরেং, ৱারেং, ৱারী মচা অমদি অতৈ ৱারেংশিংতগী ওইবা অখন্নবা লাইরিক অমা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা ফোঙলগনি। লাইরিক অসিদা হাপ্নবগীদমক লমদমসিগী মীৎ উদ্রবশিংনা ইবা লিটরেচরগা মরী লৈনবশিং অদু ফোরম অদুদা লাক্লিবা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীয়ু।

মালেমগী মীৎ উদ্রবা মীওই কয়ানা মানা-মানা তৌবা ঙম্বা থবক থৌরম কয়াদা মাঙজিল থানা চৎখিবগী ৱারী ঐখোয়না নীংশিংফম থোকই। লমদমসিগী মীৎ উদ্রবশিংগী মরক্তসু মখোয়না তৌবা ঙম্বা কয়া লৈরি। পুন্নমকশিং অসি উথোকপগী তাঞ্জা ফংদবনা মখোয়দা লোয়নরিবা টেলেন্টশিং ঐখোয়না খঙবগী চাং নেম্মী। তশেংনমক মীৎ উদ্রবশিংনা তৌবা ঙম্বা থবক কয়া ঐখোয়না তৌবা ঙমদবা কয়াসু লৈরি। মীৎ উদ্রবশিং অসি অনীশুবা ঐখোয়গী লাইনি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। কম্পিটিসন অদুগী কেটগরি এদা ক্লাস আইট ফাওবগী থাক্তা লৈবা মহৈরোয়শিং অমদি কেটগরি বিদা ক্লাস নাইনগী মথক্তা লৈবা মহৈরোয়শিং খক্তগী ওইবা অহানবা লৈবাক নীংবগী শৈরেং থিবা চাংদম্নবা অদুদা কেটগরি এদা সোরৈপাম কৈশুং, উখুল, সোরোখাইবম তাইফবী চনু, নুঙ্গৈই অমসুং হৈস্নাম হেরেনা, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়না অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি। অতোপ্পা মহৈরোয় মঙাবুনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক্তা খনগৎখি।

কেটগরি বিগী কাঙলূপ্তা থিংঙুজম হেমোলাতা, খুরখুল, নাওরেম ইবেচা, ৱাখ ময়াই লৈকায় অনীনা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা তোংব্রম কৃষ্ণচন্দ্র, থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায় অমসুং পেবম গোবিনচান্দ, উরিপোকনা পূন্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি। অতোপ্পা মহৈরোয় মঙা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক্তা খনগৎখি।

কম্পিটিসন অসিগী ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থার্দ প্রাইজ ওইনা শেলগী মনা লুপা ৩০০০, লুপা ২০০০ অমসুং লুপা ১০০০ গা লোয়ননা সাইটেসন অমসুং মমেন্টো পীদুনা ইকায় খুম্নগনি। কন্সোলেসন প্রাইজ ফংলবশিংদা শেলগী মনা লুপা ৫০০ অমসুং সাইটেসন পীদুনা ইকায় খুম্নগনি।

থা অসিগী ২৬ তা গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুলদা পাঙথোক্কদবা এল জি এম এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসনগা মরী লৈননা প্রাইজশিং অদু লান্থোক্কনি হায়না চেরোল অমনা হায়রি।

নম্বোলগী মহৈরোয়শিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

নম্বোল মায়কৈগী ঐচ এস এল সী অমসুং ঐচ এস এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৭ তা চাদা ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা ফংলকপা তোঙান-তোঙানবা মহৈরোয় ৭১ ওকপগী থৌরম ঙরাং নুংথিল নম্বোল কৈথেলগী পব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঐচ এস এল সী ঈদা ১৩শুবা পোজিসন তারকখ্রবা ফ্রান্সিকো হুইদ্রোম, নম্বোল সাবল লৈকায়দা লৈবা স্পেসল রিগ্যুলর ইংলিশ স্কুলগী মহৈরোয় অসিনা অহানবা, নম্বোল মোংজিং লৈকায়দা লৈবী বেথেল ইংলিশ স্কুলগী মহৈরোয় নীকিতা য়ুম্নাম অমসুং সেন্ট জোসেফ স্কুল সঙাইপ্রৌগী মহৈরোয় হৈগ্রুজম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা রোবার্ট চন্দ্র ৱায়েনবম অনীনা অনীশুবা অমসুং তখেল্লম্বম বেবীয়া চনু, ফোইজিং চীংনিংদা লৈবী স্পেসল রিগ্যুলর ইংলিশ স্কুলগী মহৈরোয় অসিনা অহুমশুবা তাখ্রে। ঐচ এস এস এল সী ঈগী ওইনা ঙাঙোম জিনিতা, নম্বোল মাইবম চীংমাঙদা লৈবী, এনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল সঙাকফমগী মহৈরোয় আর্টস ষ্ট্রিমদা অহানবা পোজিসন তারকখ্রবী অসিনা অহানবা, সাইন্স ষ্ট্রিমদা মাপনশুবা পোজিসন তারকখ্রবা কম্প্রিহেন্সিব কন্সেপ্ট স্কুল সঙাইপ্রৌগী মহৈরোয় কাংমোং লাঙ্গোলজম ময়াই লৈকায়দা লৈবা নেলসন য়ুম্নামনা অনীশুবা অমসুং মেসি এক্সপ্লোরর একাদেমী চঙাঙৈগী মহৈরোয় নম্বোল কবো ৱাকচিংদগী সুচিত্রা চনু সনাবমনা অহুমশুবা তাখ্রে।

অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবশিংদা শেলগী মনা লুপা ৫,০০০, লুপা ৩,০০০ অমসুং লুপা ২,০০০ পীখি।

ক্লাস টেনগী ওইনা গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তম্বা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় ইরেংবম দেবচন্দ্রদা লুপা ৫,০০০, ক্লাস টেনগী লুখ্রাবী মচা মহৈরোয় নম্বোল মোংজিং লৈকায়দগী নিকিতা য়ুম্নামদা শেলগী মনা লুপা ২,০০০ অমদি তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংদা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২/২ পীখি লোয়ননা চাদা ৭০গী মথক্তা ফংলকপা মহৈরোয়শিংদা লেংয়ান ফি, সর্টিফিকেট অমদি খুদোলপোৎ পীবগা লোয়ননা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংলকপা মকোক থোংবা মহৈরোয় ২০গী ফোটোশিং নম্বোল কৈথেলদা থেৎতুনা ইকায় খুম্নখি হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়োনবগী পাউ পীবীরকউ

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা জর্দা, খৈনীনচিংবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং থিংবগী খোঙথাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অকনবা দ্রাইব চথুদুনা পোৎলম কয়া ফাগৎলগা মাঙহনবগী থবক পায়খৎলকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জোন্সন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা থম্লীংবা ৱাফমসি অসিগুম্বা মতিং থোক্না পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কৈথেল অমদি লৈরক-খুল্লক্তা ইকোম কোম্না অদুমক ফংলি অমসুং ক্বাগী মমল হান্নদগী শরুক অহুম হেনগৎনা য়োল্লি। মসিনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা শেন্দোং হেন্না ফংবগুম তৌরি। মসিনা তাকপদি লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংগী মরক্তা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং শীজিন্নবা ঙম্বা অচৌবা খুৎপু অমা য়াওরে হায়বসি তাক্লে হায়না মরাল শীরক্লি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্ট অসিনা চথরিবা দ্রাইব অসিদা অসিগুম্বা খুৎপু অসিগী লুচিংবশিংবুসু ফাগৎতুনা মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা চৈরাক পীয়ু।

ইরমদম অসিগী মীয়াম্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক ওইরিবা পোৎলমশিং অসি থিংবদা মরুওইনা দুকান ফম্লিবা মীওইশিং অসিনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি য়োনবীদনবা আপিল তৌরক্লি। অসিগুম্বা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসিবু য়োনবগী পাউ মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা পাউ পীবীয়ু।

অমরোমদা, মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা দ্রাইব চথুবা মতমদা মেম্বরশিং খুদোংথীবা থৌদোক থোকপদগী থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা প্রাইমারি সব-সেন্টরদা চঙলুবা মতমদা মপান্দা থোঙ হাংদোক্লগা মনুংদা ছো লোন্দুনা লৈরম্বা অমদি ষ্টাফ অমত্তা লৈরমদববু নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টর অমদি দিরেক্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

খাঙবোক্কী মীয়াম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

হৌখিবা নুমিৎ খরা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা ঈচাও থোকহনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা খাঙবোক্কী লৌফমশিং অমদি ইকোপ পাৎ অমসুং অরোং তুরেলগা নক্লবা মফমশিং ওইরিবা বিহু লৌকোল শগাই মখোঙ অমদি কোওপরেটিব লৌকোলশিংগী অঙনফৌগী লৌফম পরি ১৩০ রোম লোকপা য়াহন্দ্রে হায়না ভিলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খাঙবোক্না ফোঙদোরক্লি।

ভিলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খাঙবোক্কী সেক্রেটরি নবকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা লৌফমশিং অসি ভিলেজ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খাঙবোক অমসুং এক্স প্রধান খাঙবোক পার্ট ৩ গ্রাম পঞ্চায়ট মোইরাংথেম মঙলেমজাওনচিংবনা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে।

হায়রিবা লৌফমশিং অসিদা অঙনফৌ লোক্লবা হোৎনরিবা লৌ পরি ১৩০ অমদি তোঙান-তোঙানবা ফৌ হুনখ্রবা লৌফম লৌ পরি ১,৫০০ রোম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। মসিদা নৎতনা ঙাগী ফার্ম কয়াসু অমাঙ-অতা থোকহল্লে হায়রি। মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং, ওঠোরিটিশিং, ওফিসলশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অরোং তুরেলগী খাঙবোকরোম থংবা তুরেলগী লৌনম্বাল অমদি তোর্ব্বান অসি মপুং ফানা শেমজিন-শাজিনবীদবনা ঈচাও থোকহনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

খাঙবোক্তগী ইকোপ পাৎ অমসুং তেন্থা তাবা অরোং রিংবন অসি য়াম্না নেম্বা অদুগা তেন্থাগা তায়নবা শরুক খরসু লৈবাক থোনবা য়ৌদনা হাঙদুনা লৈবদগী নোং খজিত্তং তাবগা তেন্থা তুরেলগী ঈশিং অমদি অরোং তুরেলগী ঈশিং হাইগৎলত্তুনা খাঙবোক্কী লৌফম কয়া থুমজিল্লকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পেন্টিংগী জুনিয়র ফেলোশিপ

ইম্ফাল, জুন ১৭ : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ফেলোশিপ ইন পেন্টিং ২০১৪-২০১৫ দা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখোঙ মখা লৈকায়দা লৈবা কোন্থৌজম মোহোন মীতৈগী মচানুপা মাইকেল মীতৈ খল্লক্লে। পাওরাবী বোম ব্লাষ্টকী থৌদোক্তা ভিক্টিম ওইরবা মাইকেলবু চহী অনীগী ওইনা রিছার্স তৌনবা খল্লকপনি। মাইকেলনা ২১শুবা চহী চাগী অওনবা, অহোংবা অমদি ঈং-তপ্পা মালেম অমগী শক্তম কেনভাসতা য়েকপগীদমক জুনিয়র ফেলোশিপ অসি পীনবা খল্লকপনি। মহাক্না লোয়ননা হীজম সত্যব্রতাসু মণিপুরগী ওইনা পেন্টিংদা হায়রিবা স্কোলারশিপ অসি পীনবা খল্লক্লে হায়রি।

খুরাই অহোংপুংদা থৌনীগনি

ইম্ফাল, জুন ১৭ : মাইচৌ নীংশিং লূপনা শীন্দুনা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী হৌনা খুরাই অহোংপুং অহোঙ্গৈদা লৈরিবা লাইফম অসিদা লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ১৭: মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী অকন্নবা ঈহৌ কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ দা হৌখিবা অদুদা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্লবা চোংথোরকখিবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি মখোয়গী থৌনা লিংজেলবু নীংশিংদুনা ভোলুন্টরি হেল্থ য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা দিপার্টমেন্ট ওফ হেমাটোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন রিমসকা খুৎশম্নরগা রিমস হোস্পিটালদা হয়েং ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। কেম্প অসিদা ডা. সী ঐচ অরুন, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট রিমস, ডা. এ বলেন্দ্র, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট, দি আই ঐচ এন্দ বি টি, মোইরাংথেম সুভাসচন্দ্র, প্রসিদেন্ট ভোলুন্টরি হেল্থ য়ুনিট কম্মিটি রিমসনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইগনি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীদুনা ঈ কৎপীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এদভোকেট আরোন কৈশিংনা মণিপুরী লোলদা ইবা *আর্টিকল* ৩৭১ *সী এন্দ হিল এরিয়াজ কম্মিটি* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি টি আর আই হোল চীংমৈরোংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা টি থাঞ্জালম হাওকিপ চেয়রমেন হিল এরিয়াজ কম্মিটি অমসুং লৈসিও কৈশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি পি ঐচ ঈ দি, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেনরি অমসুং হোর্টিকলচরনা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

স্কুলগী এন্টি দ্রগ কম্মিটি শেমখ্রে : এমসু, থৌবাল

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গা খুৎশম্নদুনা ঙসি থৌবালদা লৈবা ফেন্সিয়র অভিরাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লেট’স ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুজ হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা এন্টি দ্রগ এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী ওজা অমসুং মহৈরোয় ১১ না পূন্দুনা এন্টি দ্রগ কম্মিটি ফেন্সিয়র অভিরাম শেমখ্রে অমদি স্কুল অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা অমদি লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুথৎতুনা মাঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াগনি হায়রি।

কম্মিটি অদুগী এদভাইজর ওইনা ওজা লাইশ্রম ব্রোজেনবু হাপখ্রে অমদি সাইন্স টিচর অকো তাঞ্জুল অমসুং মহৈরোয় কিরনকুমার, বিজিয়ালক্ষ্মী, রঞ্জন, রোমিতা, প্রদিপ, প্রিয়াঙ্কা, রিজাজুদ্দিন, মেলোদি অমসুং এম দি হুসেনবু কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে হায়না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল সুর্জ্যনন্দ নোংথোম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এম এল এ লোকেশ্বরনা ঈচাওগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭(ঐচ এন এস) :

খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মফমশিংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা হকথেংননা চৎতুনা ঙসি য়েংশিনখ্রে।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা য়ুম্নাম খুনৌ, চীংখু, সম্বৈ, হরাওরৌ অমদি খুন্দ্রাকপমগী মফমশিংদা হকথেংননা য়েংশিনখি। হরাওরৌদা চেল্লিবা কোংবা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী মফমশিং অসিদা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্নখিবনি হায়না মীয়াম্না ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মফমশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংখিবা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়খি, এম এল এ অমা ওইনা তেংবাংগী লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলগনি অমসুং দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু পীবা য়াবা মতেং পুন্নমক পীনবা হোৎনগনি। ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা এ সী অসিদা লৈবা লৌফম কয়া য়াওনা চাওরাক্লা য়ূম ২০০০ রোম ঈশিংনা থুমজিনখিদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি। মফম অসিদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ঙরাংদগী রিলিফ কেম্প অমা হাংদোক্লে হায়খি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মরী লৈনবা এস দি ও অমসুং এস দি সীশিংসু শরুক য়াখি। ইম্ফাল পাঙ্গৈ লম্বীগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অৱাবা মায়োক্নহৌরি।

B.C.C. Manipur ꯕꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
Run by Resource Persons and Former Examiners
ADMISSION OPEN
FOR 2ND BATCH CLASS IX,X,XI & XII FOUNDATION COURSE-COHSEM & CBSE
CONGRATULATIONS!! CONGRATULATIONS!!
Our Selected Students for NEE-I Ent. Exam. 2017
Class starts on: 23rd June, 2017
Class timing: 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
Office Hour: 4:00 p.m. to 8:00 p.m.
Limited Seat, Hurry Up!!!
Pl'z Contact: B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma Roaad
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202
HL-B/3947/17/06-16/07

CROSSWORD-2447



ACROSS

1 Meat-eaters (10)
7 Marine mammal (8)
8 Melody (4)
9 Be acquainted with (4)
10 Eight-sided figure (7)
12 English county (11)
14 Elongate (7)
16 Encounter (4)
19 Profound (4)
20 Friendly (8)
21 Great painters of the past (3,7)

DOWN

1 Speak huskily (5)
2 Rebuke (7)
3 Part of the eye (4)
4 Cloudy (8)
5 Additional (5)
6 Nap (6)
11 Announce (8)
12 One who attends to horses (6)
13 Repeat (7)
15 Eject (5)
17 Stories (5)
18 Cans (4)

Solution 2446

■	H	U	S	H	H	U	S	H	■	B	U	S
E	■	P	■	O	■	N	■	A	■	E	■	T
V	E	R	G	E	■	T	U	M	B	L	E	R
E	■	I	■	■	■	I	■	P	■	L	■	E
N	E	G	A	T	E	D	■	S	H	E	E	N
I	■	H	■	H	■	Y	■	H	■	■	■	G
N	U	T	M	E	G	■	L	I	M	P	E	T
G	■	■	■	R	■	D	■	R	■	L	■	H
D	R	I	V	E	■	A	V	E	R	A	G	E
R	■	D	■	F	■	N	■	■	■	T	■	N
E	R	E	L	O	N	G	■	A	L	O	N	E
S	■	A	■	R	■	L	■	S	■	O	■	D
S	O	L	■	E	V	E	N	S	O	N	G	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE



DUTTA CLINIC
মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতে অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

ꯗꯨꯇ꯭ꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/3917/05/06-04/07

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2246

				9	5	6		3
					8			
			2		7		1	8
	6	8			4		7	
	7						2	
	1		6			9	8	
4	3		7		6			
			3					
8		6	5	2				

Solution-2245

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

2	9	8	7	6	1	4	3	5
6	7	1	5	4	3	8	9	2
5	4	3	2	8	9	1	6	7
9	8	2	6	5	4	7	1	3
4	3	6	1	2	7	9	5	8
7	1	5	9	3	8	6	2	4
1	5	9	8	7	2	3	4	6
8	6	4	3	9	5	2	7	1
3	2	7	4	1	6	5	8	9